# ৱেটলিফটর সঞ্জিতা মশাদা ওলেম্পিক মেডল অমা শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়বা থাজরি

(হান্নগী মখা...)

খুমুকচম সঞ্জিতা চনু কুমজা ২০১০দা মালেসিয়াদা তৌখিবা য়ুথ অমদি জুনিয়র কম্মনৱেলথ চেম্পিয়নশিপ্তসু গো অমদি শিলভর মেডল মথংশিংনা লৌরকখি। কুমজা ২০১১দা চাইনাগী তোঙলিং সিটিদা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা এসিয়ন জুনিয়র ৱিমেন চেম্পিয়নশিপ্তসু সঞ্জিতা চনু ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংলকখি। হায়রিবা চহী অসিমক্তদা থাইলেন্দগী পাট্টায়াদা তৌখিবা কম্মনৱেলথ জুনিয়র ৱিমেন ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তসু শিলভর মেডল অমা লৌরকখি। অসিদসু নত্তনা সাউথ অফ্রিকাগী কেপ টাউন্দা পাঙথোকখিবা ২৩শুবা এসিয়ন সেনিয়র ৱিমেন ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তসু ব্রোঞ্জ লৌরকখি। লোয়ননা ১৭শুবা জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তসু শরুক য়ারকখি। মসিদদি ১১শুবা পোজিসন তারকখি।

অসুম্না মথং মথং লেপ্তনা শান্নরকপনা কুমজা ২০১২দা সামোআদা তৌখিবা সেনিয়র কম্মনৱেলথ চেম্পিয়নশিপ্তসু শরুক য়াবগা লোয়ননা সনাগী মেডলসু লৌরকখি। অদুবু লাইবকথীবদি হায়রিবা চহীদুদা মফম ইখঙ খঙহৌদনা খুকউ নারকপদগী মতম খরা শান্নবা লেপ্পা তারকখি। তঙাইফদনা ৱাখল নুংঙাইত-নুংঙাইতনা থা খরা শান্নবা লেপ্পকখি। নম্ফুদা শান্নশিল্লবদি কোন্না অকাইবা লাকপা য়াই খল্লগা য়াম্না ৱানা রিকোভরি ঙম্নবা পোখৎকখি। অসুম্না পোখারগা লৈবদু সঞ্জিতাদদি অচৌবা পোৎলুম অমা পুবগুম ৱাজখি। খুকউ নাবদুনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৩দা তৌখিবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল থাক্কী মমিং লৈবা টুর্নামেন্ট অমদি চেম্পিয়নশিপ অমত্তদা সঞ্জিতা শরুক য়ারকখিদে।

অমরোমদসু, য়োৎ থাঙ্গৎপা হায়বসিদি শুপ্লগী সেকেন্দ অমদা মীংচৎ থন্বা য়াবগুম, সেকেন্দ অমদসু খিত্তংবু শোয়রবদি পুন্সি চুপ্পা শান্নবদগী পোখাখিবসু য়াই। মরম অদুনা মতম খিত্তং শাংনা শান্ননীংবদগী তুংগী খল্লগা মহাক ৱারবসু ৱানা হকচাংগী খল্লগা পোখারকখি। দাক্তরগী, কোচকী পাউতাক নিংথিনা লৌরগা মতম চুপ্পা চেকশিন্না শান্নরকপী লিফটর অমসু ওইরকখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা পাঙথোকপা নেসনল কোচিং কেম্পশিংগী মতাংদা লিফটর অসিনা ফোঙদোক্লম্বা ৱাফম খরদি নেসনল কোচিং কেম্পতা লাক্লিবা কোচ খুদিংমক ঐখোয়গা লোইনমক চান্নবদি নত্তে। ঐহাক্কীদি আহনবা ওইনা নেসনল কেম্প চৎচবা মতমসিদা ঐবু তাকপী-তন্বীরকখিবা কোচ সার রঞ্জন্না চীফ কোচ ওইখিবনিনা য়াম্না নুংঙাইজখি। ওজা রঞ্জন্না পীবা ট্রেনিংসি অতোপ্পা ষ্টেটকী লিফটরশিংনসু য়াম্না থাগৎনৈ। প্লেয়র তাকপী তন্বীবা মতমদা য়াম্না নুংশিনা মমুৎ তানা তন্বী।

কুমজা ২০১৩গী মতম অসি পোথারুরবা মতুংদা গ্লাসগো কম্মনৱেলথ গেমস ২০১৪গীদমক তপ্না তপ্না অমুক ট্রেনিং তৌবা



রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

কম্মনৱেলথ গেমস ২০১৮দা মণিপুরগী লিফটরশিং

হৌরকখি। খ্বাংগী, খুকউগী ওইবা অনাবা অমা লৈখিবদুনা পাঙ্গল ফুদোক্তনা শান্নবদা সঞ্জিতাদা নুংঙাইতবা অমদি ওইরকখি। চহী অমরোম পোথারুরবা মতুংদা কুমজা ২০১৪দা স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা তৌখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা মণিপুরগী লিফটর অনী সাইখোম মিরাবাই চনুগা লোয়ননা সঞ্জিতা চনু ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলুপ্তা শরুক য়ারকখি। ২০শুবা কম্মনৱেলথ গেমস অদুদা সঞ্জিতা চনুনা গোল্ড অদুগা মিরাবাই চনুনা শিলভর মেডল পুরগা লাকখি।

অমরোমদা, গ্লাসগো কম্মনৱেলথ গেমস অদু সঞ্জিতাগীদমক্তদি চহী অমরোম লেপ্লুরগা নৌনা অমুক শান্নরকখিবনি। অদুবু কম্মনৱেলথ গেমস অদু থাঙ্গৎলুরবা মতুংদা সঞ্জিতাগী খ্বাঙদা নুংঙাইতবা খরা অমুক লাকখি। হায়রিবা গেমস অদুগী ট্রাইএল পীবা মতমদা খরা খরা নাবা ফাওরবসু থোইদোক্না প্রোব্লেমদি ওইগদবা মানখিদে। পাটিয়ালাদা লৈবা ডাক্তর য়েংদুনা এম আর আই লৌরগা য়েংলুবদদি খ্বাংদা প্রোব্লেম খিত্তং লৈরে খঙলকখি। থৱায় য়াওনা কন্না হোৎনদুনা শান্নরকপা মতমদা অসিগুম্বা মখলগী দিষ্টর্ব মচা মচা অসিনা সঞ্জিতা য়াঙনা চেল্লকপা লিফটরদি ওইবা ঙম্লকখিদে। মরক মরক্তা নাবা থেংনবসিনা হেক হেক নীংবা কায়বসু ওইরকখি। কুমজা ২০১৪গী ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসকী কন্না হোৎনগদবা মতমদুদসু থা অমা অনী পোথাদবা য়ারোই হায়দুনা শান্নবা লেপ্লকখি। খ্বাং নাবগী লেপ্লুবা অদুনা মরম ওইরগা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা সঞ্জিতা চনু শরুক য়াখ্রবসু ফজবা পার্ফোমেন্স পীবদি ঙমখিদে। হায়রিবা গেমস অদুদগী গোল্ড মেডল অমা শোয়দনা লৌগে হায়দুনদি কন্না হোৎনরকখি। ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা শোয়খিবা অদুনা কুমজা ২০১৬কী রিও ওলেম্পিক অদুদা অশানবা মীৎয়েং থমদুনা ওলেম্পিক মেডল অমদি শোয়দনা লৌগে হায়দুনা অমুক হোৎনরকখি। হায়রিবা কুমজা ২০১৪গী মতমদুদা মণিপুর লৈঙাক্তা মখোয়গা চানবা থবক অমমমদি পীবিনবসু সঞ্জিতা অমদি মিরাবাই চনুনা কন্না তকশিল্লমখি। দাইট চাবদা শেল ফজনা চঙবনিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী স্পোর্টস এচিভমেন্ট য়েংবীরগা পুলিস দিপার্টমেন্টতা এ এস আই পোষ্ট পীবীনবা হায়জরমখি। -মথং-মথং

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৮

১) ৱর্ল্ড জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা নুপীমচা অমা চহী কয়ামুক শরুক য়াবদা সনা, লুপা অমসুং শেঞ্জেংগী মেডল পূন্না ৪০ হেন্না ফংখি। তৌইগুম্বসুং ওলেম্পিক গেমসতদি সনাগী মেডল অমা ফাওবা ফংবা ঙমখিদে। জজ তরুক্না মীচং মীখাই নাইদুনা মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেডল ফংবা য়াবা অমসু ফংহৌদে। মহাক কনানো?

২) মহাক কানপুরদা পোকই। ইংলেন্দগী টেষ্ট ক্রিকেটরনি। ইন্দিয়ানা মনীং তমদ্রিঙৈদা মহাক্কী মপা উত্তর প্রদেশকী ক্রিকেট কেপ্তেন ওইখি। মহাক মপুন্সিগী অরোইবা শরুক্তা পাকিস্তানগী কোচ ওইখি। মহাক্কী মমিং হায়য়ু?

৩) নেসনল গেমসতা সনাগী মেডল ১২, লুপাগী মেডল ৩, শেঞ্জেংগী মেডল ১ ফংখি; এসিয়ন গেমসতনা সনাগী মেডল ১, লুপাগী মেডল ১ ফংখি; ওলেম্পিক গেমসতসু শরুক য়ারুই, সিফাইগী সুবেদারসু কাখি, থবক্তগী পোথারবা মতুংদা য়াম্না ৱানা শেল থুমগী ফীভম ফত্তবদগী লৈখিদ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদু কনানো?

৪) ‘কৌনা ফুক্কুম ফুক্তোক্কে’
‘থম্বৌ থেক্কুম থেক্তোক্কে’
করম্বা মশান্নদা মথক্কী ৱাহৈশিং অসি হায়দুনা শান্নবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫ নোংমাইজিং, নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এসিয়া কপ ২০১৮ ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু য়ু এ ঈদা পাঙথোক্লগনি


কৌলালাম্পুর, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি): ক্রিকেটকী এসিয়ন কপ ২০১৮ ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস (য়ু এ ঈ) দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না এসিয়ন ক্রিকেট কাউন্সিলনা ৱারেপ লৌখ্রে।

এসিয়ন ক্রিকেট কাউন্সিলনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা এসিয়া কপ ২০১৮ অসিদা পাকিস্তান্না শরুক য়াবা য়াদবগী ৱাফম লাকপা অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু য়ু এ ঈদা ওইনা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ১৩দগী পাঙথোক্লনবা লেপখিবনি।




কৌলালাম্পুরগী হেদ কার্টরসতা ঙসি এসিয়ন ক্রিকেট কাউন্সিলগী মেম্বর ওইরিবা লৈবাকশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়ারগা এসিয়া কপ ২০১৮ অসি মপূং ফানা পাঙথোক্লনবা মীফম ফমদুনা খন্নখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীহুৎশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানরবা মতুংদা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা এসিয়া কপ ২০১৮ অসি দুবাই অমসুং অবুদাবিদা পাঙথোক্লনবা লেপ্নখিবনি। কুমজা ২০১২দগী ১৩ ফাওবা এসিয়া কপগী এদিসন অহুম বংলাদেশনা য়ূম্ব ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

# সিমোনা হালেপনা দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংসকী মকোক্তা লেংদনা লৈখ্রে



মেদ্রিদ, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) : রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপনা ৱিমেন্স টেনিস এসোসিএসন (দব্লিয়ু টি এ) গী মকোক্তা হান্নগুম্না লেংদনা লৈখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিৎতা নৌনা থোকখিবা দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংগী লিষ্টতা সিমোনা হালেপনা মকোক্তা অদুমক লেংদনা লৈবা ঙমখিবনি।

দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংকী নৌনা থোকখিবা লিষ্ট অসিদা রোমানিয়াগী সিমোনা হালেপনা পোইন্ট ৮,১৪০ ফংলগা অহানবা পোজিসন্দা লৈরগা হান্নগুম্না মকোক ইথং থংনা লৈরি। মশাগী চহী ২৬ খক্তা ঙাইরিবা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা পোইন্ট ৬,৭৯০ ফংলগা অনীশুবা অমসুং স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা পোইন্ট ৬,০৬৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

গার্বিন মুগুরুজানা ঙরাং মোন্টররে ওপনগী টাইটল লৌখিবা অসিদগী পোইন্ট ২৮০ অমসু ফংবা ঙমখ্রে। মখা তানা ফজবা পার্ফোমেন্স পীরবদি গার্বিন মুগুরুজা হান্না লৈরম্বা মফমদগী হাইগৎলকপা য়ানা লৈরি। য়ুক্রেনগী ইলিনা স্পিটোলিনানা পোইন্ট ৫,৬৩০ ফংলগা মরিশুবা, লাটভিয়াগী জেলিনা ওষ্টাপেনকোনা পোইন্ট ৫,৩০৭ ফংলগা মঙাশুবা, চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভানা পোইন্ট ৪,৭৩০ ফংলগা তরুকশুবা, ফ্রান্সকী কেরোলিন গর্সিয়ানা পোইন্ট ৪,৬১৫ ফংলগা তরেৎশুবা, য়ু এস এগী ভেনি ৱিল্লিয়মসনা পোইন্ট ৪,২৭৬ ফংলগা নিপানশুবা, য়ু এস এগী স্লোনি ষ্টেফেন্সনা পোইন্ট ৩,৯৩৮ ফংলগা মাপনশুবা অমসুং চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কেভিটোবানা পোইন্ট ৩,২৭১ ফংলগা তরাশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

# বুন্দেজলিগা : বেয়র লিবরকুসেন্না আর বি লেপজিকপু গোল ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা মরিশুবা পোজিসন্দা কাখৎপা ঙমখ্রে

লেপজিক, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) : বুন্দেজলিগাগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা বেয়র লিবরকুসেন্না আর বি লেপজিকপু গোল ৪-১দা মায়থীবা পীরম্লগা হান্না লৈরম্বা মফমদগী অনী হাইগৎতুনা মরিশুবা পোজিসন্দা কাখৎপা ঙমখ্রে।

মেচ অসি মায় পাক্লবা মতুংদা বেয়র লিবরকুসেন্না পোইন্ট ৪৮ ফংলগা মরিশুবা মফমদা হাইগৎতুনা লৈবা ঙমখিবনি। হান্নদি গোলগী খেন্নবগী মতুং ইন্না পোইন্ট ৪৬ ফংলগা ইন্ত্রাক্ট ফ্রেঙ্কফর্টকী মতুংদা বেয়র লিবরকুসেন্না তরুকশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ১৭শুবা মিনিটতা মার্সেল সাবিটজরনা পেনালটি বোক্স মপাদগী কাওশিল্লকপা বোল অদু গোল ওন্থোকপা ঙমখি। গোল অদুনা মেচ অদু আর বি লেপজিক্না য়াম্না ওন্না মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। গোল অদু হন্দোক্নবগীদমক বেয়র লিবরকুসেনগী মায়কৈদগী কন্না শান্নরকখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মীকুপ মেচকী ৪৫শুবা মিনিটতা লিবরকুসেনগী কাই হাবর্দসনা গোল অমা চল্লগা ষ্টাইলগা লোয়ননা



আর বি লেপজিক্না মাঙজিল থারম্বা গোল অদু হন্দোকখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা টিম অনীমক্না অহানবা হাফকী এক্সত্রা টাইম লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা ১-১দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা বেয়র লিবরকুসেন্না হান্না শান্নরম্বা মতৌদগী অওনবা কয়া থম্লগা শান্নরকখি। মেচকী ৫১শুবা মিনিটতা জুলিয়ন ব্রান্দনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু বেয়র লিবরকুসেন্না অনীশুবা হাফ হৌরকপদা গোল ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ৫ খক কান্নরগা মেচকী ৫৬শুবা মিনিটতা পানাজিওটিস রেদসোসনা বেয়র লিবরকুসেনগী অহুমশুবা গোল চনশিনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লবা আর বি লেপজিক্কী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। বেয়র লিবরকুসেনগী মায়কৈদগীসু দিফেন্দ তৌনা তৌনা অহেনবা গোল চন্নবা কাউন্টর এটেক কয়া চথখি। মেচকী ৬৯শুবা মিনিটতা কেভিন ভোলেন্না বেয়র লিবরকুসেনগী মরিশুবা গোল চনশিনখি। অনীশুবা হাফতা গোল অহুম মনম মনম চনশল্লক্তুনা বেয়র লিবরকুসেন্না মাঙজিল থারকপা অদুদা আর বি লেপজিক্কী শান্নরোয়শিং তৌফম খঙখিদে। অহানবা হাফতা মাঙজিল থারম্বা আর বি লেপজিক্না অনীশুবা হাফতা অশোনবা পার্ফোমেন্স পীখিবা অদুনা বেয়রনা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লখি। অদুমকপু নিংহন্নবা তৌদনা আর বি লেপজিক্কী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লনবা হোৎনবদি লেপখিদে। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা বেয়র লিবরকুসেন্না হেল্লগা চৎলিবা গোল অহুম অদু হন্দোকপা ঙমদনা আর বি লেপজিক মায়থীবা নংখি। অদুগা বেয়র লিবরকুসেন্না মেচ অদু গোল ৪-১দা মায় পাকখিবনি।

ভিজিটর ওইখিবা বেয়র লিবরকুসেন্না মেচ অদু মায় পাকখিবনা বুন্দেজলিগাগী মরিশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখা তাবা বুন্দেজলিগাগী মেচশিংদা মায় পাকপগী কেম্পেইন চথননবা শেম শাখ্রে। করিগুম্বা বেয়র লিবরকুসেন্না মায় পাকপা ঙমদ্রবদি মরিশুবা মফমদগী অমুক কুমথবা য়ানা লৈরিবনি।

# স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা মোন্টররে ওপন ২০১৮গী ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে

মেক্সিকো, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) : স্পেনগী টেনিস ষ্টার গার্বিন মুগুরুজানা মোন্টররে ওপন দব্লিয়ু টি এ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে।

মেক্সিকোগী সিটি মোন্টররেদা পাঙথোকপা মোন্টররে ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ঙরাং স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা মরিশুবা সীদতা লৈরিবা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবুসকা শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌনরগা শান্নখিবা মেচ অদুদা গার্বিন মুগুরুজানা ৪৪শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা হঙ্গেরিয়ান টিমিয়া বাবুসপু ৩-৬, ৬-৪, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা মোন্টররে ওপন ২০১৮গী টাইটল অসি লৌখিবনি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটকী তরুকশুবা গেমদা মুগুরুজানা ফাওল অনীরক তৌরবা মতুংদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবুসনা খুদোংচাবা লৌরগা ৪-২দা মাঙজিল থাখি। অদুগা সেট অদু ৬-৩দা টিমিয়া বাবুসনা মায় পাকখি। অহানবা সেটতা মায়থীখ্রবা গার্বিন মুগুরুজানা অনীশুবা সেটতা মহাক্কী শান্নবগী মওং মতৌদা অহোংবা কয়া লৈহনখি। অনীশুবা সেটতদি মুগুরুজানা শক্তি লৈরবা সোট কয়া শীজিন্নদুনা



হঙ্গেরিয়ান রাইবেল বাবুসপু ৬-৪দা মায়থীবা পীরগা ১-১দা লৈহনখি।

মুগুরুজানা অহুমশুবা সেটতা পূক্নিং ফাথরগা ফজনা শান্নখি অমদি সেট অদু ৬-৩দা মায় পাক্তুনা মোন্টররে ওপনগী টাইটল অসি লৌখিবনি। স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা সেমী ফাইনেলদা রোমানিয়াগী অনা বোগদানবু ৬-০, ৭-৫দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি। অদুগা টিমিয়া বাবুসনা য়ু এস এগী সচিয়া ভিকেরিবু ১-৬, ৬-২, ৬-২দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

মোন্টররে ওপনগী টাইটল অসি লৌরবা মতুংদা গার্বিন মুগুরুজানা হায়খি, টিমিয়া বাবুসকা শান্নখিবা মেচ অদু য়াম্না তরাই তরাইবা মেচ অমদি ওইখিদে। অদুবু মেচ অসিদা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা থমখিবা অদুনা টাইটল অসি লৌহনবদা অচৌবা মতেং ওইহনখি। লোয়ননা টাইটল লৌবা ঙম্বা অসিদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কিকি বর্টন্সনা জুলিয়া জোর্জেসপু মায়থীবা পীরম্লগা ভোলভো কার ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

চার্লসটন, এপ্রিল ১০ (এজেন্সি) : নেদরলেন্দগী কিকি বর্টন্সনা জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসপু মায়থীবা পীরম্লগা ভোলভো কার ওপনগী টাইটল লৌখ্রে।

য়ু এস এসী সিটি চার্লসটন্দা পাঙথোকপা ভোলভো কার ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙরাং নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ১২শুবা সীদতা লৈরিবা নেদরলেন্দগী কিকি বর্টন্স অমসুং ৫শুবা সীদতা লৈরিবা জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেস শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদুদা কিকি বর্টন্সনা জুলিয়া জোর্জেসপু ষ্ট্রেট সেটতা য়াম্না লায়না মায়থীবা পীরম্লগা ভোলভো কার ওপনগী টাইটল অসি লৌখিবনি।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতা নেদরলেন্দসকী বর্টন্সনা জুলিয়া জোর্জেসগী সর্ভিস অনী ব্রেক তৌখিবগা লোয়ননা ৬-২দা মায়থীবা পীরম্লগা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতসু কিকি বর্টন্সনা য়াম্না ফজনা শান্নখিবগা লোয়ননা মহাক্কী লম্বা ওইখিবী জুলিয়া জোর্জেসকী সার্ভিস গেম অনী অমুক হন্না ব্রেক তৌদুনা ৬-১দা মায় পাক্লগা ভোলভো কার ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবনি।

মেচ অদু মায় পাক্তুনা ভোলভো কার ওপনগী টাইটল লৌখ্রবী কিকি বর্টন্সনা



হয়খি, চহী অসিদা অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙম্বা অসিদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা পোকই অমদি চাওথোকচবা পোকচৈ। ক্লে কোর্ট সিজন্দা নীংথিনা মায় পাকপা ঙম্বা অসিনা মখা তানসু মায় পাক্লকখিগনি হায়বগী থাজবা থম্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা মায় পাক্লবগীদমক ৱাখল লৌশিং শীজিন্নবগী অচৌবা শাফু অমা লৈখি। শাফু কয়া লৈরবসু ৱাখলগী মপাঙ্গল কন্না লৈখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা মায় পাকপা ঙম্বদগী ফাইনেলগীদমক্তদি থোইনা ৱাখলগী শাফু লৈখিদে। ফাইনেলদা মায় পাক্তবা য়াদে হায়বা থাজবা অমগা লোয়ননা নিংথিনা শান্নখিবা অদুনা মেচ অসি য়াম্না অরুবা ওইদবা মওংদা মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ভোলভো কার ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদনা রসিয়াগী এ কুদ্রিয়াবসেভা অমসুং সর্ভিয়াগী কে স্রেবোটনিক্কী জুরানা অহুমশুবা সীদতা লৈরিবা সর্বিয়াগী এ ক্লেপাক অমসুং স্পেনগী মার্টিনেজ সঞ্চেজকা শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদু এ কুদ্রিয়াবসেভা অমসুং কে স্রেবোটনিক্না এ ক্লেপাক অমসুং মার্টিনেজ সঞ্চেজগী জুরাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৩, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্লগা ভোলভো কার ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ৱিমেন্স দবলসকী টাইটল লৌখি।